# কটারনা জপানবু পাঞ্জল ৩-১ দা মায়থীবা পীদুনা এসিয়ন কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে



অবু ধাবি, ফেব্রুৱারী ০১ (এজেন্সী)ঃ য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটস (য়ু এ ঈ) না য়ুম্লুওইদুনা মমাঙথাগী ২০ দগী শান্নবা হৌরকখিবা এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসনগী লমজিং মখাদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা কটারনা জপানবু পাঞ্জল ৩-১ দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।

অবু ধাবিদা জায়িদ স্পোর্টস সিটি ষ্টেদিয়মদা ঙসি কটার অমসুং জপাননা ফাইনেল মেচ লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী ওইনা ফিফা রেঙ্কিংগী থাক য়েংনরুবদা জপাননা কটারদগী থাক ৱাংনা লৈরিবনি। জপানগী শান্নরোয়শিং অদুনা কটারগী শান্নরোয়শিংবু অহানবা হাফতা লাকশিনবা ঙমদনা লৈরিঙৈ কটারগী মায়কৈদগী য়াম্না চেকশিনবা অমদি মমাঙদা শান্নখিবা মশান্নাদগী অহোংবা খরা লৈদুনা জপানবু খুদুম চনবা ঙম্বগা লোয়ননা বোল হেন্না পায়বা ঙমখি।

শান্নবগী ১২ শুবা মিনটতা কটারগী মখোঙ য়াংলবা ষ্ট্রাইকরশিং অদুনা পুশিল্লকপা বোল অমা অলিনা ফংদুনা জপানগী গোল কিপর অদু মায়থীবা পীরগা এসিয়ন কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অদুগী ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি।

পাঞ্জল অমা মাঙজিল থাবা ঙম্লবা কটারগী শান্নরোয়শিংগী মরক্তা মখোয়দগী থাক ৱাংনা লৈবা জপানগী শান্নরোয়শিং অদুগা মখা তানা মেচ অদুদা মায়োক্নরকপদা অহেনবা থৌনা লাকখি। মদুগী খুদোংচাবা অদু টিম অদুগী শান্নরোয়শিংনা চপ চানা লৌবা ঙমদুনা শান্নবগী ২৭ শুবা মিনটতা অমুক হন্না পুশিনখিবা বোল অমা টিম অদুগী হটিমনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা জপানবু ২-০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাফ অদু লোইশিনখি। জপানগী শান্নরোয়শিং টুর্নামেন্ট অসিদা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎতুনা লাকখিবনি। য়াম্না থাজদবা মওংদা কটারনা মখোয়গী মথক্তা অহানবা হাফতা পাঞ্জল অনী চনশিনখিবা অদু হন্দোক্নবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। শান্নবগী ৬৯ শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোয় মিনামিনোনা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা হৌখি।

শান্নবগী মখা তারকপা অদুদা টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নানা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনরকখি। কটারনা অহেনবা পাঞ্জল পামখি, জপাননা হন্দোকপা পামখি। ৮৩ শুবা মিনটতা কটারগী এটেক অমদা পেনাল্টি অমা ফংবা অদু টিম অদুগী অফিফনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ৩-১ দা থোইরগা টাইটল লৌখি।

## স্পোর্টসকী বজেট লুপা ক্রোর ২০০ হেনগৎখ্রে

ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ০১ (এজেন্সী)ঃ ঙসি লৈঙাক্না ইন্টরিম বজেট পুথোকখিবদা স্পোর্টসকী লমদা মমাঙদা লৈরম্বা বজেটতগী লুপা ক্রোর ২০০ হেনগৎখ্রে।

লৈঙাক্না ঙসি পুথোকখিবা বজেট অদুদা শেনবা চহী ২০১৯-২০২০ গী ওইনা স্পোর্টসকী বজেট অদু লুপা ক্রোর ২১৪.২০ হেনগৎখিবনি। মমাঙগী শেনবা চহীদা স্পোর্টসকী ওইনা লুপা ক্রোর ২০০২.৭২ লৈরম্লদগী হন্দক্কী শেনবা চহীদা লুপা ক্রোর ২২১৬.৯২ য়ৌহন্দুনা পুন্না ক্রোর ২১৪.২০ হেনগৎলকপনি। হায়রিবা শেনফম অসিনা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী চঙগদবা তোঙান তোঙানবা ফন্দশিং অমদি শান্নরোয়শিংনা ফংগদবা ইন্সেন্টিবশিংগী ওইগদৌরিবনি। স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া, নেসনল স্পোর্টস দিভলপমেন্ট ফন্দ অমদি শান্নরোয়শিংগী ইন্সেন্টিবতা লাক্কদৌরিবা শেনবা চহী অসিনা অহেনবা কান্নবা পীগদৌরি। সাইগী ওইনা লুপা ক্রোর ৫৫ হেনগৎলকখি। এন এস দি এফকী লুপা ক্রোর ৬৮ হেনগৎলবা মতুং শান্নরোয়শিংগী ওইনা লুপা ক্রোর ২৬ হেনগৎলকপনি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৮৮


১। অহানবা অমসুং অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাওদা ওলিম্পিক্কী চেম্পিয়ন খরদি মমা লৈবাক্কীদমক লাঞ্জাওশিং অসিদা শরুক য়াখি। মখোয়গী মনুংদা অনীশুবা লাঞ্জাও কুমজা ১৯৪০দা KARELIAN ISTHMUS তা য়েক্লবনা হাৎখিবা অমা য়াওই। মহাক্কী মমিং করি কৌবগে?

২। ক্রিকেট টেষ্টতা রন ২০০০ অমসুং ৱিকেট ২০০ পূন্না অহানবা ওইনা লৌবা ঙমখিবা শান্নরোয় অদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। মণিপুরদা "PUBLIC SPORT MEET" হায়না খঙনবা অচৌবা স্পোর্টস অমা পাঙথোকখি। স্পোর্টস অসি অমুকখক্তমক পাঙথোকখি। অনীরকশুনা পাঙথোকখিদে। করম্বা চহীদা স্পোর্টস মীট অসি পাঙথোকখি?

৪। খুরাইজম অঙৌ মুক্না যাত্রানি। মহাক মণিপুরগী করম্বা নিংথৌগী হাক্তক্তা মমিং চৎলম্বা মুক্নারোইনো?

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহেগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

### ২৮শুবা কে সী মালিক মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯

# ঈচেল ক্লব দিবোং অমসুং পি এস জি মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০১ (ঐচএনএস)ঃ ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (আই জে এস এ) জিরিবাম্না শীন্দুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী শান্নবুংদা জন্যুৱারী ২৮দগী হৌদুনা চথরল্লিবা ২৮শুবা কে সী মালিক মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী প্রিলিমিনরি নোক আউট ষ্টেজগী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা ঈচেল ক্লব দিবোং অমসুং পি এস জি মায় পাকখ্রে।

টিম ১৫না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ কয়া থোক্লা খাইদোক্তুনা চথরিবা ২৮শুবা কে সী মালিক মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী মখা চথরকপা মেচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা ঈচেল ক্লব দিবোং অমসুং কুকি স্পোর্টিং ক্লব (কে এস সী) লম্বা তৌনখি।

মেচ অদু ঈচেল ক্লবনা টোস ঙমদুনা মায়কৈ খনখি। অদুগা কে এস সীনা বোল কাওবা হৌখি। মেচ অদুগী অঙনবা মতম তরুকশুবা মিনটতা ঈচেল ক্লবকী জর্সি নম্বর ৮ জেটলিনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোকপদা নত্তনা মেচ অদু ঈচেল ক্লবনা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। মেচকী ২৮শুবা মিনটতা কে এস সীগী মায়কৈদগী চথরকপা এটেক অমা জর্সি নম্বর ১১ মাংবোয়না পাঞ্জল ওইনা ওন্থোক্তুনা মেচ অদু ঈচেল ক্লব অমদি কে এস সী পাঞ্জল ১-১দা লৈনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদগী হৌনা টিম অনীনা মায় পাক্নবগীদমক অহেনবা গোল চন্নবা য়াঙনা শান্নরকপা হৌরকখি। মেচকী ৫৭শুবা অমদি ৬১শুবা মিনটতা ঈচেল ক্লবকী জর্সি নম্বর ১৭ নেমিয়া অমদি জেটলিনা পাঞ্জল অনী মথং মথং চনশিন্দুনা মেচ অদু ঈচেল ক্লবনা পাঞ্জল ৩-১দা মাঙজিল থাখি।

মেচকী ৬৩শুবা মিনটতা কে এস সীগী জর্সি নম্বর ১২ জেকোবনা ঈচেল ক্লবকী মাঙজিল থারিবা অনীশুবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লগা মেচ অদু কে এস সীনা পাঞ্জল ২-৩দা লৈখি। ঈচেল ক্লবকী মাঙজিল থারিবা অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু কে এস সীগী শান্নরোয়শিংনা মেচকী অরোইবা মীৎকুপ ফাওবদা হন্দোক্নবা কন্না হোৎনরবসু পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমদবদগী মেচ অদু ঈচেল ক্লব দিবোংনা কে এস সীবু পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীখি।

অহানবা গ্রাউন্দ শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচ অদুদা ভিজয়, অজিজ হায়দর, এল অনিলকুমার অমদি জিমি সিংসন্না সেন্টর রেফ্রি, এ আর ৱান, এ আর টু অমদি ফোর্থ রেফ্রি ওইনা ওফিসিএট তৌখি।

ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ রাউন্দগী মখা চথরকপা মেচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা পি এস জি অমদি পি এফ সী শান্নখি। মেচ অদু পি এস জিনা টোস ঙমদুনা মায়কৈ খল্লগা পি এফ সীনা বোল কাওবা হৌখি।

অহানবা হাফকী অহুমশুবা মিনটতা পি এস জিগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১০ মিনথাংনা মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোক্লগা পি এস জিনা মেচ অদু পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

পি এফ সীগী মায়কৈদগী পি এস জিগী মাঙজিল থারিবা অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্নবা এটেক কয়া চথরকখি। অদুবু পি এস জিগী মায়কৈদগী মেচ অদু খংলাক লাকশিন্দুনা শান্নরকখিবনা অহানবা হাফ লোইবদা পি এস জিগী শান্নরোয়শিংনা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপগা পি এস জিগী মায়কৈদগী মেচ অদু খংলাক লাকশিন্দুনা য়াঙনা শান্নরকপা হৌরকখি। মেচ অদুগী অরোইবা মীৎকুপ লোইশিল্লকপদা পি এস জিনা পি এফ সীবু পাঞ্জল ৪-০দা য়াম্না লাকচনা মায়থীবা পীখি।

অনীশুবা হাফতা চনখিবা পি এস জিগী পাঞ্জলশিং অদু মিন্থাংনা মেচকী ৭০শুবা অমদি ৮২শুবা মিনটতা পাঞ্জল ২ অমসুং জর্সি নম্বর ১৭ জোসেফনা মেচকী ৮১শুবা মিনটতা চনখিবনি।

ঙসি অনীশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচ অদুদা অজিজ হায়দর, এল অনিকুমার, কে ঐচ নিলমল অমদি জিমি সিংসন্না সেন্টর রেফ্রি এ আর ৱান, এ আর টু অমদি ফোর্থ রেফ্রি ওইনা শরুক য়াখি।

### ফর্ষ্ট লাইরেম্বী কপ ২০১৯ ভিলেজ ওপন ৯ এ সাইদ

# টৌপ এফ সী অমদি এফ এফ সী সী মায় পাকখ্রে, এন কে জে সী অমদি সী ৱাই দি ও দ্রো চৎখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০১ (ঐচএনএস)ঃ নুংৱাং এফ সীনা শীন্দুনা ফুটবোল ক্লব অসিগী শান্নবুংদা চথরিবা ফর্ষ্ট লাইরেম্বী কপ ২০১৯ ভিলেজ ওপন নাইন এ সাইদকী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা টৌপ এফ সী অমদি এফ এফ সী সী মায় পাকখ্রে। অদুগা এন কে জে সী অমদি সী ৱাই দি ও দ্রো চৎখ্রে।

টিম ১৮না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ মরি থোক্লা খাইদোক্তুনা চথরিবা ফর্ষ্ট লাইরেম্বী কপ ২০১৯ ভিলেজ ওপন নাইন এ সাইদকী লীগ রাউন্দগী ৯শুবা মেচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা টৌপ এফ সী অমসুং পিত্রা এফ সী লম্বা তৌনখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী লম্বা চানা শান্নখিবনা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙম্নখিদে।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদগী হৌনা টৌপ এফ সীগী মায়কৈদগী অহানবা হাফতা শান্নখিবা মওংদগী মেচ অদু য়াঙনা শান্নরকপদা নত্তনা পিত্রা এফ সীবু লাকশিন্দুনা শান্নরকপা উখি। মেচকী ৩১শুবা মিনটতা টৌপ এফ সীগী জর্সি নম্বর ৭ টি ঐচ সন্তোসনা মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনখি। মেচকী ৩৮শুবা অমদি ৪০শুবা মিনটতা টৌপ এফ সীগী জর্সি নম্বর ৯ এম ইবোমচানা পাঞ্জল ২ মথং মথং চনশিন্দুনা মেচ অদু লোইশিল্লকপদা টৌপ এফ সীনা পিত্রা এফ সীবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ রাউন্দগী ১০শুবা মেচ ওইনা ঙসি গ্রুপ বিগী এফ এফ সী সী অংথা অমসুং এন এফ সী নিংথৌনাই লম্বা তৌনখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফকী ৭শুবা মিনটতা এফ এফ সীগী জর্সি নম্বর ১৬ এন ওলেন্না চনখিবা পাঞ্জল অদুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা এফ এফ সী অংথানা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাফকী ২২শুবা মিনটতা এফ এফ সীগী জর্সি নম্বর ৯ কে ঙাস্থোইনা মহাক্কী টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল চনশিন্দুনা মেচ অদু এফ এফ সীনা পাঞ্জল ২-০দা অমুক লৈখি। মেচকী ২৬শুবা মিনটতা এন এফ সীগী জর্সি নম্বর ১০ অনুসনা এফ এফ সীগী মাঙজিল থারিবা অহানবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লগা মেচ অদু লোইশিল্লকপদা এফ এফ সী অংথানা এন এফ সী নিংথৌনাইবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখি। লীগ রাউন্দগী ১১শুবা মেচকী গ্রুপ বিদা এন কে জে সী অমদি সী ৱাই দি ও গোল চন্নদনা দ্রো চৎখি।

# দেবিস কপতা ইন্দিয়াবু ইটালিনা অহৌবা মেচ অনী মায়থীবা পীদুনা মেচ মঙাগী টাই মাঙজিল থাদুনা লৈরি



য়ুম্বু লৈবাক ওইবগী খুদোংচাবা লৈখিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় রাম কুমারনা অহানা সেট অদুগী মঙাশুবা অমদি ১০ শুবা গেম অদুগী

কোলকাটা, ফেব্রুৱারী ০১ (এজেন্সী)ঃ ঙসি কোলকাটাগী সাউথ ক্লবতা ইন্দিয়া অমসুং ইটালিনা শান্নবা দেবিস কব টেনিস টুর্নামেন্টকী ক্বালিফাইয়িং টাইগী অহৌবা নুমীৎতা শান্নখিবা সিঙ্গলসকী মেচ অনী ইটালিনা থোইদুনা মেচ মঙাগী টাই অদু ইন্দিয়াবু মখোয়না মেচ ২-০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈরি।

ইটালিগী মায়কৈদগী এন্দ্রি সেপিদা অহানবা সিঙ্গলস মেচ অদু ইন্দিয়াগী রামকুমার রামানাথনগা লম্বা তৌনখি। মেচ অদুগী অহানবা সেট ইটালিগী এক্সপিরেন্স লৈরবা এন্দ্রি সেপিনা রাম কুমারবু লাকশিনবা ঙমদনা গেম ৪-৪ মায় পাক্লদুনা লৈখি। মনুংদা অমফাওবা থোইবা ঙমদনা ইটালিগী এন্দ্রি সেপিনা সেট অদুবু ৬-৪ দা থোইখি।

অনীশুবা সেট ইটালিগী শান্নরোয় অদুনা ফজবা হেল্লকপদগী রামানাথনগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬-২ দা থোইরগা অহানবা সিঙ্গলস মেচ অদু ইটালিনা মায় পাকখিবনি। অনীশুবা সিঙ্গলস মেচ ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান শান্নরোয় প্রজনিস গুনেশ্বরন ইটালিগী মায়কৈদগী নহা ওইরিবা শান্নরোয় মাটিও বেরেটিনিনা অকনবা লম্বা অমদা ৬-৪, ৬-৩ দা থোইদুনা হয়েং দবলসকী মেচতা ইন্দিয়ানা মায় পাক্তবা য়াদবগী ফীভমদা লৈরি।

### ৬১শুবা সার চূড়াচান্দ সিংহ ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# সাই এস এ জিনা এস ৱাই দি এবু য়াম্না লাকচনা পাঞ্জল ৫-০দা মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০১ (ঐচ এন এস)ঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএ-সন (অম্ফা) না শীন্দুনা চহী খুদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোক্তুনা লাকপগুম হন্দক চহীগী ওইনা খুমন লম্পাক্কী আর্টিফি-সিএল টর্ফ গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা ৬১রকশুবা সার চূড়াচান্দ সিংহ মেমোরিএল ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮-১৯গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচতা সাই এস এ জিনা এস ৱাই দি এবু য়াম্না লাকচনা পাঞ্জল ৫-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

টিম ২৬না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ মরি থোক্লা খাইদোক্তুনা চথরিবা ৬১রকশুবা সার চূড়াচান্দ সিংহ মেমোরিএল ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮-১৯ লীগ রাউন্দগী ৬শুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ুক পুং ১১.৪০ তাবা মতমদা এস ৱাই দি এ অমসুং সাই এস এ জি শান্নখি। মেচ অদুগী অঙনবা মতম অহুমশুবা মিনটতা সাই এস এ জিগী জর্সি নম্বর ৬ আর কে সঞ্জয়না মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোকখি। অহানবা হাফকী লোইরমদাই মীৎকুপ মেচকী ৪৩শুবা মিনটতা সাই এস এ জিগী জর্সি নম্বর ৭ টি সুর্জকান্তনা চনখিবা পাঞ্জল অদুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা সাই এস এ জিনা পাঞ্জল ২-০দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদগী হৌনা সাই এস এ জিগী শান্নরোয়শিংনা এস ৱাই দি এগী মায়কৈদগী চথরকপা এটেকশিং অদু নিংথিজনা দিফেন্দ তৌদুনা মেচ অদু লাকশিন্দুনা শান্নখি। মেচকী ৪৮শুবা মিনটতা সাই এস এ জিগী জর্সি নম্বর ১০ দব্লিয়ু দিঙ্কুনা মহাক্কী টিমগী অহুমশুবা পাঞ্জল চনখি। মেচকী ৬৩শুবা মিনটতা সাই এস এ জিগী জর্সি নম্বর ৪ আর কে কুকুলিননা চনখিবা পাঞ্জল অদুনা মেচ অদু সাই এস এ জিনা পাঞ্জল ৪-০দা চাউনা মাঙজিল থানা চৎপা ঙমখি।

মেচকী অরোইবা মীৎকুপ ৮৭শুবা মিনটতা সাই এস এ জিগী দব্লিয়ু দিঙ্কুনা মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল অমদি মহাক্কী টিমগী মঙাশুবা পাঞ্জল চনশিন্দুনা মেচ অদুগী অরোইবা তাঙ্কক লোইশিল্লকপদা সাই এস এ জিনা এস ৱাই দি এবু য়াম্না লাকচনা পাঞ্জল ৫-০দা মায়থীবা পীখি।

# গোৱা এফ সীনা মুম্বাই সিটি এফ সীবু ২-০ দা থোইদুনা আই এস এলগী পোইন্ট টেবলদা অহুমশুবদা হাইগৎখ্রে



মুম্বাই, ফেব্রুৱারী ০১ (এজেন্সী)ঃ ইন্দিয়াগী ফুটবোল ক্লবশিংগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি মুম্বাইদা লৈবা মুম্বাই ফুটবোল এরেনাদা য়ুম্বু ক্লব মুম্বাই সিটি এফ সী অমসুং এফ সী গোৱাগা লম্বা তৌনখিবা লীগ মেচ অমদা গোৱাগী টিমনা পাঞ্জল ২-০ দা মায়থীবা পীদুনা টিম অদু টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ টেবলদা অহুমশুবা থাক্তা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

ঙসিগী মেচ অদুগী মাঙওইননা এফ সী গোৱা মেচ ১২ শান্নখিবদা পোইন্ট ২১ ফংলগা মরিশুবা পোজিসন্দা লৈরম্বনি। অদুবু মায় পাকখিবা অদুনা মরম ওইরগা পোইন্ট ২৪ ফংলগা হান্না অহুমশুবা পোজিসন্দা লৈরম্বা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদপু লানখৎতুনা অহুমশুবা পোজিসন্দা লৈবা ঙমখি।

ঙসিগী মেচ অদুগী অহৌবা পুংখায় অমগী মতম অদুদা গোৱানা বোল হেন্না পায়বা ঙমদুনা মুম্বাই সিটি এফ সীদগী ফজবা হেনখি। মেচ অসিগী ২৮ শুবা মিনটতা মুম্বাইগী দিফেন্স লাইন অদুবু নাম্থোক্তুনা ফংখিবা বোল অমা এফ সী গোৱাগী ইন্দু বেদিয়ানা মেচগী অহানবা পাঞ্জল চনখি।

য়ুম্বু টিম মুম্বাই সিটি এফ সীগী মায়কৈদগী ফনা কন্না হোৎনরবসু অহানবা হাফ অদুদা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমখিদে। অনীশুবা হাফতা গোৱাগী মায়কৈদগী কোরোনা পেনাল্টি অমা ফংবদগী ৭৯ শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মুম্বাই এফ সী সিটিবু ২-০ দা থোইখিবনি।

### মঙাশুবা চীংমী-তম্মী য়ুনিটি ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯

# ইসাইকোন থিয়াম, ৱাই বি সী লংদুম অমসুং এ এম এল ৱাই সী অরাপতি মমাঙ লৈকায় মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০১ (ঐচএনএস)ঃ চীংমী তম্মী য়ুনিটি এন্দ দিভলপমেন্ট কম্মিটি (সী টি য়ু দি সী) না শীন্দুনা ইম্ফাল ইষ্টকী কৈরাও এ সীগী লৈমখুলগী শান্নবুংদা জন্যুৱারী ২৮দগী হৌদুনা চথরল্লিবা মঙাশুবা চীংমী তম্মী য়ুনিটি ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা ইসাইকোন থিয়াম, ৱাই বি সী লংদুম অমসুং এ এম এল ৱাই সী অরাপতি মমাঙ লৈকায় মায় পাকখ্রে।

টিম ২০না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ৭ থোক্লা খাইদোক্তুনা চথরিবা মঙাশুবা চীংমী তম্মী য়ুনিটি ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী ১১শুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ুক পুং ৮.৩০ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ ঈগী ইসাইকোন থিয়াম অমসুং খাগী ক্লব ক্যামগৈ শান্নগদবা মেচ অদু খাগী ক্লব ক্যামগৈ লাক্তবদগী ইসাইকোন থিয়ামনা ৱাক ওভর ফংদুনা মায় পাকখি।

লীগ রাউন্দগী ১২শুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ুক পুং ৯ তাবগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ এফকী দব্লিয়ু সী ৱাই সী ৱাইথৌ চিরু অমসুং ৱাই বি সী লংদুম শান্নখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফতগী লোইবা ফাওবদা ৱাই বি সী লংদুমনা দব্লিয়ু সী ৱাই সী ৱাইথৌ চিরুবু য়াম্না লাকচনা শান্নখিবনা মেচ অদু লোইশিল্লকপদা ৱাই বি সীনা দব্লিয়ু সী ৱাই সীবু পাঞ্জল ৪-০দা মায়থীবা পীখি। ৱাই পি সীগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু সী ঐচ ননাওবনা মেচকী ১৯শুবা অমদি ২৯শুবা মিনটতা পাঞ্জল ২, সী ঐচ ইবোচাওবনা মেচকী ১০শুবা অমদি ৱাই নাওবনা মেচকী ২৩শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমমম চনখি।

ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ১৩শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩ তাবগী অহুমশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ জিগী য়ু ৱাই এস সী উরুপ অমসুং এ এম এল ৱাই সী অরাপতি মমাঙ লৈকায় শান্নখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা এ এম এল ৱাই সীনা য়ু ৱাই এস সীবু লাকচনা শান্নখিবনা পাঞ্জল ৭-০দা চাউনা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদগী হৌনা এ এম এল ৱাই সীগী মায়কৈদগী মেচ অদু য়াম্না লাকশিন্দুনা শান্নখিবনা মেচ অদু লোইশিল্লকপদা এ এম এল ৱাই সীনা য়ু ৱাই এস সীবু য়াম্না লাকচনা পাঞ্জল ২২-১দা মায়থীবা পীখি।